## দিল্লিদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪.৫ হেন্না ইংবগী রেকোর্দ লৈরে

*দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ঃ* দিল্লিদা ঙসি সেলিসিয়স দিগ্রি ৪.৫ য়ৌনা ইংদুনা চৎলিবা নিংথম থা অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ইংবনি হায়না রেকোর্দ তৌখ্রে। মফম অদুদা অইংবা নুংশিৎনা মফম শিন থুংনা শিৎলি। ঙসিগী ওইনা সহর অদুদা খ্বাইদগী শাখিবা চাং অদু সেলসিয়স দিগ্রি ১৯.৫ ওইখি। মদু মহৌশাগী ওইবা ফিভমদগী হন্থরবনি অদুগা খ্বাইদগী ইংবা ওইনা রেকোর্দ তৌরিবা অদুনা মহৌশাগী ফিভমদগী শরুক অহুম হন্থরে হায়না মেটেরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোংদোরক্লি।

নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং অদু হোংদোক হোংজিন তৌরি। চাদ ৯২ দগী ৪৬ ফাওবগী চাংদা লৈরি। দিল্লিগী অতিয়াগী ফিভমদি ময়েক শেংবা ওইনা উরি। অদুম ওইনমক মরক্কী ওইনা লৈচিল পাইরকপা অমসুং অপাবা নোং চুবা লোয়নন মফম খরদা অখাক অরাওগী ফিভম মায়োক্লরি হায়রি।

চাংচৎ ওইনা দিল্লিদা নিংথম থাগী ওইনদি খ্বাইদগী শাবা অমদি খ্বাইদগী ইংবগী চাং অদু চাউরাক্লা সেলসিয়স দিগ্রি ২০ দগী ৫ ফাওবা মথং শিৎনা লৈগদবনি হায়রি।

খ্বাইদগী হেন্না ইংবগী ফিভম মায়োক্লবগা লোয়নন দিল্লিদা লৈচিল থাবগী শাথিবা ফিভম অমা মায়োক্লরি। মসিনা মরম ওইরগা ত্রাফিক্কি রিগুলেসন্দা চাউনা অকাইবা থোকহল্লে হায়রি। মফম খরদা নোং তাবা অমদি অখাক অরাওগী ফিভম মায়োক্লবগা মীয়ামগী নোংমগী পুন্সিদা অকাইবা থোকহল্লে।

# ঝার্খন্দদা কংগ্রেসনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদা থিন্থহল্লে হায়না মোদিনা কংগ্রেসপু মরাল শীখ্রে

*রাঞ্চি, দিসেম্বর ২৯ঃ* ভারতিয় জনতা পার্টিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এ সরকারবু মরাল শীরদুনা হায়খিবদা সরকার অদুনা ঝর্খন্দদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদা থিন্থহল্লে হায়খি।

বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইরিবা নরেন্দ মোদিবু ঙসি রাঞ্চিদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুগী মাঙওইননা পার্টি অদুগী প্রসিদেন্ট রাজনাঠনা লৈ পরেং হুক্কুনা ওকখি। রেল্লি অদুগা মরী লৈননবা মোদিনা ফোঙদোকখিবদা, ঝর্খন্দদা লৈরিবা থবক ফংদবগী সমস্যাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎতনা লৈরে হায়খি।

ছটিসগর হীরম খূদীংমত্তা চাওখৎলক্লি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অদুগী মীখলদা চীফ মিনিষ্টর রহমনা সিংহনা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা ফম পায়রকখি।

মী মশীং খ্বাইদগী হেন্না তিনখিবা রেল্লি অদুদা ঙাঙলদুনা রেদ্দিনা হায়খিবদা, ঝর্খন্দ অমসুং উত্তরখন্দবু ইন্থোক্কুনা থন্বী হায়খি।

ইং ২০০০ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা বি জে পিনা লুচিংবা সরকারনা সেন্টরদা সাশন পায়খি। বি জে পিনা চহী ১০ পায়রকপদা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমখি।

মাওইষ্টকী ঈরাংনা শোকহল্লবা ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল অহুম্লক চল্লাইখ্রে। গুজরাটকী ওইনা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক অদুনা নরেন্দ্র মোদিনা সরকার পায়রিবশিংদা মরাল শীখি।

বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্ট্রিয়েল কেন্দিদেট ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিবু শৌগৎপা বিজয় সঙ্কল্পনা রেল্লি অদুনা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খিবদা, বি জে পিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগা শমজিন্নবা হোৎনরি। বি জে পিগী অতল বিহারি বাজপায়িনা সরকার পায়রকপা মতম অদুদা ঝর্খন্দবু তোখায়বা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনখি। মদু শীংথানিংঙাইনি হায়খি।

ঝর্খন্দগী কোনুং ওইরিবা রাঞ্চিদা পাঙথোকখিবা মীখলগা মরী লৈনবা রেল্লি অদু সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং পায়খৎখি। মমাঙদা রেল্লি পাঙথোকপদা চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা পটনাদা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং থোকখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুবু ঙাক–শেন্নবগী সেক্যুরিটি পর্সনেল ২,৫০০ ঙাক–শেনখি। সি সি টি ভি কেমেরা ৪০না চথরিবা থৌরমশিং য়েংশিনখি। পটনাদা থোকখিবা থৌদোক অদুগুম্না থোক্তনবা ঝর্খন্দ পুলিসনা অকনবা থবকশিং পায়খৎলি।

বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্ট্রিয়েল কেন্দিদেট ওইরিবা মোদিনা বিহারদা রেল্লিদা চৎকদবা মাঙওইননা বোম ৮ পোকখায়রক্কুনা মীওই ৫ শিহনখি লোয়নন ৯০না অশোক অপন নংহনখিবনি।

নুমিৎ অসিগী মাঙওইননা মোদি চোপ্পর অমদা তোংদুনা রাঞ্চিগী বিরশাহ মুন্দা এয়রপোর্টতা থুংলখি। মদুদা বি জে পিগী সেনিয়র লীদর অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অরুন মুন্দা, য়াসৱান্ত সিনহা অমসুং রবিন্দ্র রাইনা মহাকপু মীওই লাক্ষ ২ গা কোন্ননা মহাকপু ওকখি।

রেল্লি অদুগীদমক ট্রেন ৫ বুক তৌদুনা থৌরাং তৌখি। লোয়নন মী পুগদবা বস ২,০০০ তোঙান তোঙানবা মফমশিংদামী হোন্ননবগীদমক থমখি।

মহাক্না ৱা ঙাঙগদবা ষ্টেজগী মনুংদা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংগী শক্তম থেৎতুনা থমখি। লোয়নন অকনবা চেকশিন থৌরাংগী থবক পায়খৎখি। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মুন্দানা হায়খিবদা, হৌজিক মোদিগী অকনবা ঈহৌ লৈরি। মদুনা ইং ২০১৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা মদুগী ফল উবা ফংলগনি।

ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা ঝর্খন্দদা সরকার পায়রিবা বি জে পিবু শৌগৎলম্বা ঝর্খন্দ মুক্তি মোর্চানা সরকার অদুদা শৌগৎলম্বা অদু তোকখ্রে। অদুগা পার্টি অদুনা কংগ্রেসকী মতেংগা লোয়নন ষ্টেট অদুদা সরকার শেম্নবা হোৎনরি।




# ইন্দিয়ান কন্সুলেট ষ্টাফশিংগী খুৎশুমল পীবগী মতাংদা য়ু এস না মশাগী নিয়ম থুগাইরে

*জলপাইগুরি, দিসেম্বর ২৯ঃ* য়ু এস এম্বেসি অমদি কন্সুলেটনা মখোয়গী লৈবাক্তা থবক তৌরিবা ইন্দিয়ান ষ্টাফশিং অমদি দিপ্লোমেটশিংদা পীগদবা খুৎশুমলগী মতাংদা মখোয়গী ওইবা নিয়মশিং থুগাইরে হায়রি।

এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টরনা ইন্দিয়া ষ্টাফ অমসুং অতোপ্পা এমপ্লোইয়িশিংদা য়ু এস না পীরিবা খুৎশুমলগী মতাংদা য়েংশিন্দুনা অকনবা ৱাফম ফোংদোক্লগনি হায়রি।

ইন্দিয়া দিপ্লোমেটতা লৈরিবা ষ্টাফশিং অমদি দিপ্লোমেটিক মিসন্দা থবক তৌরিবা ইন্দিয়ানশিংগী চপ চাবা মীওই মশিং খঙহল্লক্লনা সরকারনা য়ু এস এম্বেসিগী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি। অদুগা মখোয়দা পীরিবা থাগী তলব অমসুং লৌখৎলিবা টেক্সশিংগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল খঙহল্লক্কদবনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এক্সটর্নেল এফিয়ারর্সনা পান্নিবা ৱারোলশিং অদু পীরক্লবা হায়খ্রবসু য়ু এস এম্বেসিদা খৃষ্টমাস অমসুং ন্যু ইয়ারগী থৌরমশিংনা মরম ওইরগা থেংথহন্নবগী মরম অমদি ওইরি। ন্যু য়োর্কতা ইন্দিয়া দিপ্যুটি কন্সুল জেনরেল দেবিয়ানি খোব্রগাদেবু ন্যু য়োর্কতা ভিসা ফ্রাওদকা মরী লৈননা ফাখিবগী মতুং থবকশিং অদু লৌখৎলকখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা ভারত সারকারনা অমেরিকান এম্বেসেদার নন্সি পাউয়েল অমসুং অতোপ্পা দিপ্লোমেটিশিংনা ফংগদবা খুদোংচাবশিং অদু লৌথোকখিবনি। হৌজিক লৈবাক অসিনা অমেরিকাগী দাইত্য লৈবা থৌশিল অদু ঙাইরি। য়ু এস তা লৈবা ইন্দিয়াগী ষ্টাফ কুক অমসুং দ্রাইভরশিং ইন্দিয়াগী শেনফমদা লুপা লিশিং ১২ দগী ১৫ ফাওবা পীরি। মদু য়ু এস দোল্লরগা য়েংনবদদি ২০০ দগী ২৫০ গী মখাদা লৈরি। য়ু এসতা খ্বাইদগী পীকপা খুৎশুমল অসি পুং অমদা য়ু এস দোল্লর ৯.৪৭ ওইরি। মদু অতৈ সহরশিংদসু চৎনরি। ওইরিবা ফিভম অদুদা অমেরিকানা মখোয়গী ওইবা খুৎশুমল পীবগী নিয়ম অদু থুগাইরে। হায়রিবা থৌওং অদু এম্বেসি অমসুং কন্সুলেটশিংদসু চৎনহল্লি হায়রি।

য়ু এসনা চপ চাবা নিয়মশিং চৎনহন্দুন ইন্দিয়াগী থবক তৌরিবশিংদসু চপ চাবা খুৎশুমল পীগদবনি অমদি এম্বেসি অমদি দিপ্লোমেটশিংদসু মখোয়গী ওইবা নিয়মশিং কোন্সিনগদবনি হায়রি। চপ মান্নবা থবক অমসুং চপ মান্নবা পুংশিংদা থবক শুবদা ইন্দিয়ান দিপ্লোমেটকী এমপ্লোইয়িশিংনা থবক শুবদা হন্থবা খুৎশুমলগী চাংদা ফংলি। হিরম অদুগী মতাংদা য়ু এস এম্বেসিদা খঙহনখিবদা খুদক্কী ওইনা থবক পায়খৎলকপগী ফিভম লৈত্রি।

চহি ৩৯ শুরবী আইএসএফকী ইং ১৯৯৯ বেজগী ওফিসার অদু ন্যু য়োর্কতা ফাখিবগী মতাংদা সরকার অসিনা অকনবা থবক লৌখৎপগা লোয়নন তোঙান–তোঙানবা ইন্দিভিজুয়েল এক্সপার্ট, লিগেল, ফাইনান্সিয়েল এন্দ হ্যুমেন রিচোর্ছ দিপার্টমেন্টকা লোয়নন হিরম অদুগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লৈরিবনি।

খোব্রাগাদেবু মহাক্কী য়ুমদা লৈবা সঙ্গিতা রিচার্দ কী মতাংদা অরানবা ভিসা শিজিন্নখি হায়বগী মতাংদা মরাল শিদুনা মহাকপু ফাগৎখি। মদুগী তুংদা ইন্দিয়াদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগা লোয়নন য়ু এস না লাল্লি হায়জগদবনি অমসুং মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরালশিং লৌথোক্কদবনি হায়না দাবী তৌদুনা লাকখিবনি।



## কেজ পেরোট হায়নবা সিবিআই লাক্লিবা ইং ২০১৪ দা মশা পাল্লবা য়াই

*জলপাইগুরি, দিসেম্বর ২৯ঃ* কয়লা খনি থিকা পীথোকপগী মতাংদা থিগৎখিবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) বু সুপ্রিম কোর্টনা শরং মনুংগী তেনৱানি হায়না ফোংদোকখ্রবা মতুং লো মিনিষ্টর অশ্বিনিকুমারনা এজেন্সি অদু মথং চহিদগী চপ চাবা মথৌ তৌহনগনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টনা লোক পাল বিল চহি অসিদা পাস তৌহনখ্রবা মতুং সি বি আইগী থবক থৌরমশিংদা অচৌবা অহোংবা লাক্লগনি। সুপ্রিম কোর্টনা অশাউবগা লোয়নন ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু য়েংলগা সি বি আইবু মহাক্না তৌগদবা থবক–থৌরমশিংদা হেন্না মনিং তম্বা পীদুনা অহোংবা অমা পুরক্লগনি। সরাকর অদুগী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী ওইবা তোঙান–তোঙানবা মীফমশিং পাঙথোক্কুনা হায়রিবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অদুদা হেন্না মনিং তম্বা পীননবা ৱাফম ফোংদোক্লখি।

সি সি আইগী দিরেক্তরদা শেন থুমগী মনিং তম্বা অখন্নবা চাংদা পীননবা ৱাফমদা সেন্টরনা য়াখিদবনি। হন্দক লোক পাল বিল পাস তৌখিবা অসিনা সি বি আইদা শক্তি অমা লাক্লগনি লোয়নন প্রমান পীবা ঙম্লগনি হায়খি। এজেন্সি অদুগী সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংনা হোংলক্কদবা থবক থৌরমশিং অদুদা অয়াবা পীখ্রে। সি বি আইদা হেন্না ওটোনোমি পীবগী মতাংদা হৌজিকসু খন্নরি। এজেন্সি অদুনা অচৌবা ওপরেসন চথদুনা বিজয় সিঙ্গলা, মহাক্লি মমাকনুপা রেলৱে মিনিষ্টর পৱানকুমার বন্সাল অমসুং রেলৱে বোর্দকী মেম্বর মহেস কুমার ফাগখিবনি।

## য়ুঙাং লল্লোনবশিংনা দিল্লি পুলিস কন্সটেবল অমা ফূবদা শিরে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ঃ* দিল্লি পুলিসকী ষ্টেট এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা দিপ্লোয় তৌবা কন্সটেবল অমা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা সাওথ দিল্লিগী গিটোর্নি লমদমদা য়ুঙাং লল্লোনবা গেং খূৎপু অমনা ফূবদা শিরে অদুগা অতোপ্পা কন্সটেবল অমনা শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

কন্সটেবল অমনা গিটোর্নি খুঙ্গংগী জঙ্গলগী লমদা আইন কায়না মীওই করনা য়ুঙাং সপ্লায় তৌবগী থবক চথরে হায়না পাউ ফংখি। কন্সটেবল বিনোদনা দিল্লিদগী মফম অদুদা য়ুঙাংশিং অদু কার পুদুনা চৎকনি হায়বগী চপ চাবা পাউ ফংখি। তুংদা মহাক্না লোয়নবা সুখবির কৌবা কন্সটেবল অমগা লোয়নন গাডী অমদা সাইনিক ফার্ম ময়াদা ঙাইদুনা লৈখি। কন্সটেবল অনী অদুনা আইন কয়ানা লল্লোনবশিং অদু ফাননবগীদমক জঙ্গলগী লম অদুদা চঙশিনখি।

মখোয়না জঙ্গল মনুংদা স্মগ্লরশিং অদুবু ফংননবা য়েংশিনবগী থবক চথরিঙৈদা স্মগ্লরশিং অদুনা এটেক চথরকখিবনি হায়রি। স্মগ্লরশিং অদুনা চথরকখিবা এটেক অদুদা বিনোদ শোকখি। অশোকপদুনা মরম ওইরগা মহাক মফম অদুমক্তদা লৈখিদে। অদুগা মহাক্না লোয়নবা সুখবিন্দরনা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা লায়েংবা পুখৎখি।

পুলিসনা মখা তানা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অমা ফারে। অদুগা অতোপ্পা মীওই অহুম্না ফাননবা থিবগী অকনবা থবক চথরি হায়রি।

## থোমজিল্লকপা মীয়াম ঙাকথোক্লবা কেজ্রিৱালনা পুলিস কৌখ্রে

*গাজিয়াবাদ, দিসেম্বর ২৯ঃ* নৌনা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইরক্লবা অর্ভিন কেজ্রিৱালগী কৌসম্বীদা লৈবা য়ুমদা থোমজিল্লকপা মীয়াম ঙাকথোক্লবা পুলিস কৌখ্রে।

কেজ্রিৱালগী য়ুমদা দিল্লি অমসুং উত্তর প্রদেশকী পুলিসনা থোমজিল্লকবি মীয়াম অদু শেন্নবগীদমক অখন্নবা থৌরাং পায়খৎখ্রে।

পুলিসনা থোমজিল্লকখিবা মীয়াম অদু শেন্নবা হোৎনবদা ত্রফিক্কি অচৌবা প্রোব্লেম মায়োক্লখি। দিল্লি পুলিসকী পার্সোনেলশিংনা অচম্বা ফিজোল শেত্তুনা কেজ্রিৱালনা লৈরিবা গাজিয়াবার্দকী হাউসিং সোসাইতিদা অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎখি হায়না য়ুপিগী সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা ফোংদোরক্লি। সোসাইতি অদুগী চংফমদা মেটল দিক্টেক্তর দোর ফ্রেম থমখ্রে। প্রজা চা কয়ানা চিফ মিনিষ্টর উন্ননবা চঙশিল্লকখি। অদুগা খরনা উনরুরবা মতুং থোকখি। মদুদা অচৌবা চরাংনবা অমা থোকখি হায়রি। মীয়াম অদু শেন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হায়খি।

# অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা চিফ মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা মতুং আই এ এস ওফিসার ৯ ত্রান্সফর তৌখ্রে

*নিউ দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ঃ* দিল্লিগী রাজনিতিদা অহোংবা পুরক্কনি অমদি ব্যুরোক্রেট সিষ্টেম লৈহল্লোই হায়না ফোংদোকখ্রবা মতুং নিউ দিল্লিগী অনৌবা চিফ মিনিষ্টর ওইখ্রবা অর্ভিন কেজ্রিৱালনা থবক পায়বগী অহাংবা খুৎথাদা আইএএস ওফিসার ৯ ত্রান্সফর তৌখ্রে লোয়নন কেবিনেট মীতিং পাংথোকখ্রে।

দিল্লিদা নৌনা খ্বাইদগী নহা ওইনা চিফ মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা অর্ভিন কেজ্রিৱালনা তোপ ওফিসিয়েলশিংগা লোয়নন মিতিং পাংথোকখ্রবা মতুং চপ চাবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে। ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা কেজ্রিৱালগী কাউসম্বীদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা মহাক্না চিফ মিনিষ্টর ওইরকপদা খুদোলপোৎ পীবা লাকখিবা মীয়ামদা মহাক্কী ওইবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি। লাকখিবশিং অদুগী মনুংদা দিল্লি ত্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসনগী এমপ্লোইয়িশিং অমদি ভাল্মীকি কম্যুনিটিগী মীওইশিংসু য়াওরকখি। তিনখিবা মীয়াম অদুদা মহাক্না ফোংদোকখিবদা, পার্টি অদুগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং থবক ওইনা ওন্থোকপদা চয়োল অমা নৎত্রগা নুমিৎ ১০ নিগী মতম পীবিনবা হায়খি। হায়রিবা মতম অদুদা মখোয়না ৱাশকখিবা ৱাফমশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা মীয়ামদা অরানবা ৱাফম ফোংদোক্লিংদে। মীয়াম্না মঙোন্দা শিন্নরকখিবা ৱাফমশিং থবক ওইনা পায়খৎকনি। মফম অদুদা নিয়ম চৎনহনগনি হায়খি।

দিল্লিদা মহাক্কী পার্টিনা সরকার শেম্লে। তৌইগুম্বসুং তৌগদবা থবকশিংদি ৱাৎলি। মহাক মথন্তনা থবকশিং অদু তৌবা ঙম্লোই। মীয়াম পুন্না থবক তৌমিন্নবগী দরকার লৈ। চৈরকসিদা রাষ্ট্রিয়া জনতা দলগী লুচিংবা লালু প্রসাদ যাদবনা কেজ্রিৱালবু শিধরদুনা হায়খিবদা দিল্লিদা লৈরিবশিংনা চয়োল অসিগী মনুংদা মখোয়না মীখল অদুদা করম্বা লুচিংবা খনখ্রবগে হায়বদু খংলগনি হায়খি।

রাহুল গান্ধিগা য়েংনবদা অর্ভিন কেজ্রিৱাল অমসুং নরেন্দ্র মোদিদি করিসু নত্তে হায়নসু ফোংদোকখি।

রাম লিল্ল মৈদান্দা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাংথোকখ্রবা মতুং থিন্থবা তৌদনা কেজ্রিৱালনা মহাক্কী হিগোক মচুগী ৱাগোন কার তোংদুনা সেন্ট্রেল দিল্লিদা লৈবা দিল্লি সেক্রেটরিয়েটতা চৎখি। মহাক্না মফম অদুদা য়ৌবদা নুংথিলগী পুং ১.৩০ রোম তাখি। লোয়নন খুদক্তা মহাক্কী মথৌ তৌবা হৌখি।

মাগসেসে এৱার্দ ফংখ্রবা চিফ মিনিষ্টর অদুনা ব্যুরোক্রেটশিংবু য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী মতুংইন্না দিল্লি পুলিস কম্মিস্নার বি এস বাসি, দিল্লি পৱার দিপার্টমেন্টকী জাল বোর্দ অমসুং অতোপ্পা দিপার্টমেন্টকী মীহুৎশিং উন্নখি। হোম, পৱার, প্লানিং, ফাইনান্স, সর্বিস অমসুং ভিজিলেন্সকী চার্জসু পুরিবা কেজ্রিৱালনা ঙসি ফোংদোকখিবদা মহাক্কী মথংগী খোঙথাংদি দিল্লিগী ইমুং অমদা ঈশিং লিটর ৭০০ ফ্রিদা ফংহনগনি হায়বদুনা ওইগনি। অদুগা মথংগী নুমিৎতনা পৱারগী টেক্স হন্থহনগনি হায়বা অদুনা ওইগনি হায়খি।

মহাক্না পায়খৎখিবা মরু ওইবা অমদি দিল্লি জল বোর্দকী ই সি ও দবাশ্রী মুখর্জিবু দিল্লি ত্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন্দা ত্রান্সফর তৌখিবা অদুসু অমা ওইরি। লোয়নন পৱার সেক্রেটরি আর কে বর্ম্মবু এদুকেসন দিপার্টমেন্টতা থাংদোকখি। প্রপোজ তৌরকখিবা লোক পাল না সিবিআইদা মথৌ হাপ্তুনা প্রমান কয়া পুথোরক্কনি হায়না য়েংনরি। ওফিসার কয়া ত্রান্সফর তৌখিবা অদুনা থবক অদু পায়খৎপদা মতেং ওইরগনি। এজেন্সি অদুগী সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংনা অহোংবা কয়া পুরকখিবা অদুনা মখোয়গী থবক্তা অহোংবা লাক্লগনি হায়বা য়াজখি। সিবিআইদা অহেনবা শক্তি পীরক্লবদি থিজিন হুমজিনবগী থবক চথবদা মতেং ওইগনি। মমাংদা এজেন্সি অদুনা ভিজয় সিংলা, মহাক্কী মমাকনুপা রেলৱে মিনিষ্টর পৱরকুমার বন্সাল অমসুং রেলৱে বোর্দকী মেম্বর মহেসকুমার ফাগৎখিবা লৈখ্রবনি।

# জলপাইগুরি ব্লাষ্টকা মরী লৈননা মীওই ১ ফারে



*জলপাইগুরি, দিসেম্বর ২৯ঃ* আসামগী জলপাইগুরি দিষ্ট্রিক্টতা সাইকল অমদা পুরকপা বোম পোকখায়খিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা মীওই অমা ফারে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অদুগী সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা ফোংদোরক্লি।

পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই ৬ শিহনখি। জলপাইগুরি দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী পি জভালগিনা ফোংদোকখিবদা, দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মনুংদা চেনবা তুরেল অমগী মথক্তা শাবা কলভর্ট অমগী মথক্তা পোকখায়খিবা বোম অদুগা মরী লৈননা চন্দন রোই কৌবা মীওই অমা ফারে।

এসপি অদুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, সাইকল অমদা পুরকখিবা বোম পোকখায়খিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা অতোপ্পা মীওই খরসু ফাগৎলে। মখোয়না থৌদোক অদুদা কদাই ফাওবা চেন্নবগে হায়বা খঙদোক্লবা ৱাহং পাউহংবগী থবক চথরি। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু থিগৎপদা তোঙান–তোঙানবা এজেন্সিশিংগী মতেংগা লোয়নন অচুম্বা মাইওন্দা থিগৎপগী থবক চথরি।

থৌদোক অদুদা কামতাপুর লিবরেসন ওর্গনাইজেসন (কেএলও) গী খুৎ য়াওব্রা হায়বগী মতাংদা এসপিনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। দিষ্ট্রিক্ট অদুগী এসপি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেট পরিথা সরকারনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং বঙ্গলাদেশ, ভুতান অমসুং নেপালগা তাইননা লৈরিবা মফম অদুদা চেকশিন–থৌরাংগী অকনবা থবক পায়খৎখিবগা লোয়নন পাক সন্না পেট্রোলিং তৌনবগী থবক লৌখৎখ্রে।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা সাইকল অমদগী পোকখায়রকখিবা বোম অদুনা বজ্রাপরা লমদমদা মীওই ৬ শিহনখি। থৌদোক অদু কামতাপুর লিবরেসন ওর্গনাইজেসন্না থোকহনবনি হায়না চিংনখিবনি। কে এল ও হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অদু ইং ১৯৯৩ দা শেমখিবনি। ওর্গনাইজেসন অদুনা লৱার আসামগী শরুকশিং অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিষ্ট্রিক্ট ৬ তা ওপরেট তৌরি হায়রি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### স্কাউটস অমদি কব স্কাউটস

*মতম অমদা বৃটিশ আর্মিগী জেনরেল ওইরম্বা সার রোবার্ট বেদন–পাৱেল (১৮৫৭০১৯৪১)না ইং ১৯০৭ তা স্কাউটিং মুভমেন্ট হৌদোকখি। ঙসিদি পৃথিবীগী লৈবাক খুদিংমক্তা স্কাউটস লিংখত্তুনা লৈখ্রে। ইন্দোনেমিয়াদা মেম্বর মিল্লিয়ন ৯ লৈদুনা খ্বাইদগী মাঙজিল তাবা স্কাউট লিংখৎপা লৈবাক ওইরি। অদুবু ক্যুবা অমদি নোর্থ কোরিয়া য়াওনা লৈবাক খরদদি স্কাউট মুখৎখ্রে। চহী ১১গী মখাদা লৈবা নুপামচাশিংগী জুনিয়ার দিভিজনবু কব স্কাউটস হায়না খংনৈ। অহানবদদি মসি ৱোলফ কব হায়না য়ু কেদা খঙনরম্মী। ইং ১৯৩০দা কব স্কাউটস অসি লিংখৎখি। গার্লস স্কাউটনা সার রোবার্ট অমদি মহাক্কী মচননুপী অগ্নিস (১৮৫৮ ১৯৪৫) কা পূন্না ইং ১৯১০দা লিংখৎখি। ঙসিদি ৱার্ল্ড এসোসিয়েশন ওফ গার্ল গাইদস এন্দ গার্ল স্কাউটস হায়বা লুপ অমা লৈদুনা মসিগী মেম্বর ওর্গনাইজেশন ১৪৪ লৈদুনা মসিগী মেম্বরনা মিলিয়ন ২০ লৈরি। লুপ অসিনা মালেমগী ওইনা নুপীমচা অমদি নহা ওইরিবা নুপীশিংগী খ্বাইদগী চাউবা ওর্গনাইজেশন ওইরি। চহী ১২ মখাগী নুপীমচাগী জুনিয়ার হিভিজনবু ব্রাউনি হায়না খঙনৈ।*

## DOCUMENTS LOST

The original documents of my car Volx Wagon Polo make of Silver Colour bearing Registration No. MN01x 3939, alongwith my ATM Card issued by SBI, Imphal had been lost on my way from Moirang Bazar to Khwairamband Bazar, Imphal on the 14th December, 2013.

Finders are requested kindly to handover the same to the undersidned.

Sd/- Ph. Surja Sharma
Sagolband Maisnam Nongthonba Leikai
P.O. & P.S. Imphal West, Manipur

Bill No. 21/12/13

## PAPER INVITED

Seminar paper are invited from Concerned Individuals, Teachers, Professional, Research scholars, Learners and Students for a National Seminar on the topic reading habit or on any issues associated with reading habit.
Last Date of Paper Submission is on or before 10th January 2014 through the contact given below :-

1. Sophia Saubam@yahoo.com
2. Ldhanu123@gmail.com
3. 09856116907,09856540172,09856684074,09436230743.

Sd/-
**S.Sophia Rani**
Gen.Secy(MALA)

Bill nol/ 07/27,28&29/13

## Registration Certificate মাঙখ্রে

ঐ শ্রীমতি মংশাতাবম নলিনী দেবীগী মীংদা Manipur University না পিবা Registration Certificate/No.1300 of 1979 অসি তাং ২৭–১২–২০১৩ খুরাই লমলোং কৈথেলদগী Canchipur ফাওবগী লম্বীদা তাহৌরে। কনাগুম্বনা খুনবিবা থোক্লবদি মখাগী মীশক অসিদা খুৎশিন্নবিয়ু। অৱামল মতিক চানা তৌজগনি

মংশাতাবম নলিনী দেবী
Khurai Chingangbam Leikai
Imphal east, Mobile 9774330994

Bill No. 20/30/13